HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
# হুইয়েন লানপাউ
The Largest Circulated Newspaper in Manipur



বোর্ড ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুর অমসুং কোসেমনা লৌবা এগজামশিংদা সী সী হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী মায় পুরকখিবা মহৈরোয়শিংদা সিসিয়ন ফোরম অমসুং স্কুল অসিনা শীন্দুনা মনা মথুম পীদুনা পুক্নিং থৌগৎখিবা (লমায় ৩)

চহী য়ামশিল্লক্লবা মতুং য়ুম্বানবগী মরীদা থোকহল্লকপা য়াবা অকায়বশিংগী...
☛ লামায় ২

পি এমনা থোক্লিবা ৱাথোক লুম্না লৌদবা লাইবক থীবনি
লামায় ৬

(মীয়াম্না পাবীয়ু, নৈনবীয়ু) 'মণিপুরগী লানগী মতাংদা মীয়ামগী ৱাফম'
☛ লামায় ৯

হুয়েল লাংলোন থাঙ-তা এসোসিএসন মণিপুরনা রন্নর্স অপ তাখ্রে
☛ লামায় ১০

সেপ্টেম্বর ৮দা পল্লেলদা এ আরনা নোংমৈনা কাপ্পদগী শোক্লুনা রিমসতা লায়েংলবা মতু দেল্লীগী এইমসতা মখা তানা লায়েংলক্লিবা হৈরোক পার্টটু কৈথেল মমাঙদগী নিংথৌজম প্রেমকুমারদা কক্চীং অপুনবা গ্রুপনা লুপা লিশীং ১০ তেংবাঙবা (লমায় ৭)



Vol. 47, Issue No. 193 | থাংজ, লাংবনগী ২৩নি পানবা | অপুনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Saturday, October 07, 2023, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.00

### সিক্যুরিটি ফোর্সনা মহৈরোয় ১সুং মীয়ামদা কা হেনবা থবক চথখিবগী মায়োক্তা হায় কোর্টতা ৱাকৎলক্লে

# মীফূ-চৈফূদা শোক্লবশিংগীদমক করি থবক লৌখৎখ্রবগে হায়বগী রিপোর্ট পীরক্লবা হায় কোর্টনা চীফ সেক্রেটরিদা খঙহনখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৬ (ঐচএনএস) :** জুলাই ৬কী অয়ূক্তগী মফম খঙলক্ত্রিবা লুৱাংবী লিন্থোইঙম্বী হিজম অমসুং ফিজম হেমঞ্জিৎপু শারমচৎ চৎপা কুকি খূৎলায় পায়বশিংনা হাৎতোকপীখ্রে হায়বগী ফোটোশিং মমাঙ থাগী ২৫দা ভাইরেল ওইরকপদগী থংনবা নুমিৎতগী হৌরদুনা খোইশাওনরবা মহৈরোয়শিং অমসুং মীয়াম্না 'ৱি ৱান্ট জষ্টিস' হায়দুনা চঙশিল্লকখিবা পিছফুল ওইবা খোঙজংদা শরুক য়াখিবশিংবু ষ্টেট অমসুং সেন্ত্রেল ফোর্সশিংনা শা-ষণদা ফূ চৈবগুম্না চথখিবা মীফূ-চৈফূ অদুগী মায়োক্তা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ৱাকৎলকপদগী কোর্টনা শোক্লবা মহৈরোয়শিং অমসুং মীয়ামদা করি করম্বা খুদক্কী ওইবা থবকশিং লৌখৎখ্রবগে হায়বগী রিপোর্ট পীখৎলক্লবা চীফ সেক্রেটরিদা খঙহনখ্রে।



ৱাকৎ অসি মতম শাংনা মণিপুর জুদিসল সর্ভিসতা লৈরম্বদা নত্তনা দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন্স জজ ওইনা থবক্তগী পোথাখিবী অরিবম নৌতুনেশ্বরি (৬৩), মপুরোইবা নোংমাইথেম সুনিলকুমার, শগোলবন্দ মৈস্নাম নোংথোম্বম লৈকায়দা লৈবনা পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন (পি আই এল) ওইনা থা অসিগী ৪দা ফাইল তৌরকখিবনি।

পি আই এল অসিনা হায় কোর্টতা ৱাকৎলক্লিবনা মহৈরোয়শিংদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা অহেনবা পাৱর শীজিন্নদুনা চথখিবা মীওৎ মীনৈ অদু খুদক্তা লেপহনগদবনি অমসুং ইম্ফালদা ওইরিবা খ্বাইদগী শাথীবা ফীভম অসি নীংথিজনা লাকশিনগদবনি। লোয়ননা পি আই এল অসিগী রেস্পোন্দেন্টশিং ওইরিবা মকোক থোংবা ওফিসলশিংনা ষ্টেট অমসুং সেন্ত্রেল সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা অহেনবা থৌওং চথরক্তনবা অথিংবা পীবগা লোয়ননা থোকখ্রিবা থৌদোকশিং অদুগী মতাংদা জুদিসল ইনক্কারি চথনবা দিরেক্সন পীবিয়ু হায়বসিনি।

পি আই এল অসিগী রেস্পোন্দেন্টশিং ওইরিবনা য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী মিনিষ্ট্রি ওফ দিফেন্সকী সেক্রেটরি/কম্মিস্নর, মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়রসকী সেক্রেটরি/কম্মিস্নর, মণিপুর লৈঙাক্কী মহুৎ শিল্লিবা চীফ সেক্রেটরি, সিক্যুরিটি এদভাইজর কুলদিপ সিংহ, মণিপুরগী দি জি পি, ইম্ফাল ৱেষ্টকী এস পি অমসুং ১৬শুবা জাট রেজিমেন্টকী কর্নেল অশিস মহেতানি।

পি আই এল অসি ঙসি কোর্ট অসিগী জষ্টিস অহন্থেম বিমোল অমসুং জষ্টিস এ গুনেশ্বরগী বেঞ্চনা লৌখৎখি। কোর্টনা মেট্টর অসি লৌখৎলকপদা পিটিস্নরগী মায়কৈদা সিনিয়র কাউন্সেল এম হেমচন্দ্রনা লেপ্লগা মহাকপু কাউন্সেল অজয় পেবমনা এসিষ্ট তৌখি। পিটিস্নরগী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেল অনীমক্কা পি আই এল অসিনা কোর্টতা ৱাকৎলক্লিবা ৱাফমশিং মরীক চুম্না থমখি।

ৱাকৎ চেরোল অসি দিভিজন বেঞ্চনা য়েংশিল্লবা মতুংদা পি আই এল অসিগী রেস্পোন্দেন্ট ৭ মক্তা ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

## সেন্টর অমসুং ষ্টেট লৈঙাক্না মীয়াম্বু ঙাক শেনবগী থৌদাং পূম্নমক লৌরি : চীফ মিনিষ্টর

চীফ মিনিষ্টরনা তোপ দুসেরাদা ইন্সটিট্যুট ওফ দ্রাইভিং ট্রেনিং এন্দ রিছর্স সেন্টর শঙ্গাখ্রে, লম্ফেলপাৎ ৱাটর বোদি রিজুবিনেসনগী গ্রাউন্দব্রিকিং ফঙ্কসন পাঙথোকখ্রে



**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৬ (ঐচএনএস) :** হৌখিবা থা ৪/৫ অসিদা মীয়াম্না অৱা অনাশিং মায়োক্নরে হায়বসি খঙলে। অদুম ওইনমক হৌজিক থোক্লিবা ৱাথোক অসি ইন্দিয়ন য়ুনিয়নগী মায়োক্তা হৌরকপা লাননি হায়বসি মাঙজৌননা খঙদোকপা ঙম্লে হায়রদুনা মণিপুরবু মচেৎ তাহন্নবা হোৎনরকপা ফোর্সশিংদগী ঙাকথোক্লবা সেন্টর অমসুং ষ্টেট লৈঙাক্না লৌখৎলক্লিবা থবক থৌরমশিংদা মীয়াম্না মতেং পাংগদবনি হায়না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি মিনিষ্ট্রি ওফ রোদ ট্রান্সপোর্ট এন্দ হায়ৱেজগী মখাদা ইম্ফাল ইষ্টকী তোপ দুসেরাদা ইন্সটিট্যুট ওফ দ্রাইভিং ট্রেনিং এন্দ রিসর্স সেন্টরবু অথোইবা মীথুংলেন ওইনা হাংদোকপগী থৌরমদা মহাক্না ফোঙদোকখিবনি।

চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়, সেন্টর অমসুং ষ্টেট লৈঙাক্না মীয়াম্বু ঙাক শেনবগী থৌদাং পূম্নমক লৌরি। মরম অদুনা মহৈরোয়শিংনা মখোয়গী স্কুল কোলেজদা চৎপা, লৌমীশিংনা লৌবুক্তা চৎপা হৌরকপগা লোয়ননা দুকান্নচিংবসু হাংনরক্লবনিনা মহৌশাগী পুন্সিদা হঞ্জিল্লকপা হৌরে হায়খি। অদুম ওইনমক ষ্টেট লৈঙাক্কী ওফিসলশিং অমসুং মীয়াম্না মাঙখ্রবা মতমশিং মেনখৎনবগীদমক হেন্না কন্না থবকশিং পাঙথোক্কদবনি। ফেমিনা মিস ইন্দিয়া, ইন্টরনেসনল ফুটবোল টুর্নামেন্টশিং, জি-২০গী থৌরমশিং অমসুং মপান ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

### জেলদা থম্লক্লিবী ইরানগী নুপী এক্টিভিষ্ট নর্গেস মোহম্মদিদা নোবেল পিছ প্রাইজ পীরগনি

**ওসলো, ওক্টোবর ০৬ (এজেন্সী):** মমাঙগী কুমজা ২০২২দা শুপ্ন তগী মিনট মঙাখক্তমক চথখিবা ইরান লৈঙাক্কী ৱায়েল অমগী মতুংদা চৈনা ৭০ রক কন্দুনা ফূখিবগা লোয়ননা চহী ৮গী ফাদোক পীদুনা জেলদা থম্লক্লিবী নুপী এক্টিভিষ্ট নর্গেস মোহম্মদিদা চৎলিবা চহী ২০২৩ অসিগী নোবেল পিছ প্রাইজ পীরগনি। ৱাফম অসি নোৰ্ৱেজিয়ন নোবেল কম্মিটিগী চেয়রমেন বেরিট রৈস এন্দরসেননা ঙসি ওসলোদা লাউথোকখিবনি।
...মখা লামায় ৩ কলম ১

### ইন্টরনেট থিংলি

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৬ (ঐচএনএস):** মণিপুর লৈঙাক্না মোবাইল ইন্টরনেট/দাটা সর্ভিসশিং নুমিৎ ৫/৫নিগী ওইনা থেঙ্খাং নাইনা থিংজিন্দুনা থম্লকখিবা অদু থা অসিগী ১১গী নুমিদাং পুং ৭.৪৫ তারকপা ফাওবদা শাংদোকহনখ্রে। মসিগী মতাংদা ঙসি কম্মিস্নর (হোম) না ওর্দর অমা থোকখ্রে।

### কর্ফিয়ু কোমথোক্কনি

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৬ (ঐচএনএস):** হয়েং ওক্টোবর ৭তা ইম্ফাল ইষ্ট, ৱেষ্ট, থৌবাল অমসুং কক্চীংদা অয়ূক পুং ৫দগী নুংথিল পুং ৬ ফাওবা, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টতনা অয়ূক পুং ৫দগী নুংথিল পুং ৫ ফাওবা কর্ফিয়ু কোমথোক্কনি হায়রি।

### মতম কক্তবা ইকনমিক ব্লোকেদকী মহয় ফংবা হৌরে

## লৈঙোই চিংলকপা ত্রক খরা থুগাইখ্রে, ত্রক খরগী ছো মুনখ্রে, গাড়ী ১৫০ লোম পন্দুনা লৈখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৬ (ঐচএনএস) :** মণিপুর লৈঙাক্না ইন্টরনেট/মোবাইল দাটা সর্ভিস থিংজিল্লকপবু সেনপাতি দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা পুং ২৪গী মনুংদা লৌথোক্কদবনি হায়বগী মতম পীখ্রবা ফাওবদা লৈঙাক্না অথিংবা অসি লৌথোরক্ত্রে হায়দুনা সেনপাতি দিষ্ট্রিক্ট ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন (এস দি এস এ) না ঙরাং নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ তারকপদগী এন ঐচ-২ (ইম্ফাল-দিমাপুর) লম্বীদা চথরকখিবা মতম কক্তবা ইকনমিক ব্লোকেদকী মহয় ফংবা হৌরে।

খোঙজং অসি শৌগৎপশিংনা ইম্ফাল তম্না লৈঙোই চিংলকখিবা ত্রক ১১ ময়াংখাং এরিয়াদা নূঙনা থাজিন্দুনা থুগাইখ্রে। থৌদোকশিং অসিগী মতাংদা সেনাপতি পুলিসনা ফোঙদোরকপদা ঙসি নুমিদাংৱাইরম ফাওবদা হায়ৱে অসিগী পরিংদা লৈবা হেনবুংদা পোৎ চৈ পুরকপা ত্রক ৮, টি খুলেন্দা ৪, কারোংদা ত্রক ৩০ অমসুং লাইরৌ এরিয়াদনা ত্রক ১০৮ পূন্না পোৎ চৈ

### ইকনমিক ব্লোকেদ খুদক্তা হন্দোক্কদবনি : এন পি ও

পুরকপা গাড়ী ১৫০ রোম সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট লাম্থোক্তুনা লাকপা ঙমদনা পন্দুনা লৈরে হায়রি।

খোঙজং শৌগৎপশিংনা নূঙনা থাজিন্দুনা গাড়ীশিং থুগাইরকপগী মতাংদা ত্রক দ্রাইভর অমনা ফোঙদোরকপদা গাড়ী ১১গীদি ৱিনসিল্ড য়াওনা গ্লাসশিং পুমতোই তোইরে। অদুগা গাড়ী খরগীনা ব্লোকেদ লৈরি হায়দুনা খামদুনা লৈরিঙৈদা ছোশিং নমদুনা মুল্লগা লৌখ্রে। মরম অসিনা অথুবা মতমদা খোঙজং অসি লৈঙাক্না শন্তাইনবা পুরক্তুনা মহৌশাগুম হায়ৱে অসিদা গাড়ী চৎথোক চৎশিন তৌবদা অপনবা পীদনবা থবকশিং লৌখৎপীয়ু হায়রি।

পনবা য়াবদি, চান্দেল ...মখা লামায় ৩ কলম ২

### মণিপুর মচেৎ তাহন্দনবা কবুই খুলশিংনা ৱাশকখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৬ (ঐচএনএস):** ইম্ফালগী মহাবলি কবুই খুলদা হেদ ওফিস ওইরিবা কবুই য়ুনিয়ন মণিপুরগী সেক্রেটরি জেনরেল লনবোন কবুইনা থোরকপা চেরোল অমদা মণিপুর মচেৎ তাদনবা কবুই খুলশিংনা ৱাশকখ্রে হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, লেপ্তুনা চথরকপা তম্পাক্তা খুন্দারিবা কবুই খুলশিংদা চৎতুনা ৱাখল তামিন্ননবা অমদি খন্ন-নৈনবা মীফম ঙসিসু চথখিবগা লোয়ননা মণিপুরবু মচেৎ তাহন্দনবা কবুই খুলশিংগী মীয়াম্না অমত্তা ওইনা ৱাশক লৌমিন্নখ্রে হায়রি।

মীফমশিং অদুদা ইপা ইপুশিংবুসু নীংশিংখি হায়রদুনা মমাঙ থাগী ১৭তা থাংমৈবন্দগী নমথানলোং কবুই খুল, খুনবু, খুল্লাকপা, য়ুথ ক্লবকী নহাশিং অমসুং ৱিমেন্স সোসাইটিগী মেম্বরশিংনা শরুক য়াদুনা মীফম অদু পাঙথোকখিবনি। মীফম অদুদা ৱাঙাঙলোই কয়ানা ইরৈবাক ...মখা লামায় ৩ কলম ২

## বি জে পিদগী শেৎন-খায়নরকপা মীওই ২৬ শুরে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৬ (ঐচএনএস) :** মে ৩দগী মণিপুরদা লেপ্তুনা থোরক্লিবা কাঙলূপ মশেলগী তমথীরবা লান অসিগী মতাংদা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী লুচিংবশিংনা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎলক্তবদগী লান লেপহন্দ্রে হায়রদুনা লুচিংবশিং অসিগী মথক্তা চঙশিল্লকপা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা মমাঙ থাগী ১৬তা ওর্গনাইজিং কম্মিটি ওফ পব্লিক এসেম্বলি ফোর রেষ্টোরেসন ওফ পিছ ইন মণিপুরনা পাঙথোকখিবা পব্লিক এসেম্বলিনা লৌখিবা ৱারেপকী মতুংইন্না ঙসিসু তোঙান তোঙানবা এসেম্বলি কন্সটিট্যুএন্সি অনীদা বি জে পিগী মেম্বরশিং ওইরম্বা মীওই ৬ পার্টি অসিদগী রিজাইন তৌনখিবগা লোয়ননা থা অসিগী ১দগী মচিৎ-মচিৎ রিজাইন তৌনরকপনা ঙসি ফাওবদা বি জে পিদগী শেৎন-খায়নরকপা অপুনবা মীওইশিংগী মশীং ২৬ শুখ্রে।

ঙসিগী ওইনা বি জে পিগী মেম্বরশিং ওইবদগী তোক্লে অমসুং পার্টি অসিদগী পোথাজরে হায়বগা লোয়ননা মখা তানা পার্টি অসিগা হীরম অমত্তদা মরী লৈনদ্রে হায়দুনা মশা মশানা খূৎয়েক পীবা চেরোলশিংগী মতুংইন্না পার্টি অসিদগী তোক্লে হায়রকখিবশিংনা মোইরাং এসেম্বলি কন্সটিট্যুএন্সিগী পোল্লিং ষ্টেসন নম্বর ২৭/৩৯দগী রুহিনা, অতাবুর রহমন, ইসুব আলি, হবিবুর রহমন, ইব্রাহিম অমসুং শীংজ মৈ এসেম্বলি কন্সটিট্যুএন্সিদগীনা সাপম রোহিটিনি।

মোইরাং এসেম্বলি কন্সটিট্যুএন্সিগী পোল্লিং ষ্টেসন নম্বর ২৭/৩৯দা বি জে পিগী প্রাইমারি মেম্বরশিং ওইরম্বদগী তোকচরে হায়রক্লিবা মীওইশিং অসিনা এসেম্বলি কন্সটিট্যুএন্সি অসিগী মনুং চনবা ক্বাক্তাদা লৈবশিংনি হায়রি।

মীওইশিং অসিনা পার্টি অসিগী মেম্বর ওইবদগী তোকচরে হায়রকখিবা চেরোলশিংদা লৈবাক্কী লুরবা তানফম অসিদা নারোলদা চঙশিল্লক্লিবা মীয়ানচাশিংগী লান অসি লোইশিন্নবগী অচুম্বা খোঙথাং অমদি অকনবা ৱারেপ লৌবগী শরুক অমা ওইনা মখোয় মশা মশাসু মাঙজিল থানা অমদি থম্মোয় শেংনা খোঙথাং অসি লৌরকপনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, কম্মিটি অসিগী কোর মেম্বর কে ঐচ ইন্দ্রজিৎনা ঙরাং থোরকখিবা চেরোল অমদা বি জে পি অমদি মসিগা চৎমিন্নরিবা জে দি-য়ু, এন পি পি, এন পি এফ অমসুং ইন্দিপেন্দেন্ট এম এল এ অমা য়াওনা মখোয় মখোয়গী পোলিটিকেল পার্টিশিংগী কম্মিটিশিং দিজোল্ভ তৌবীয়ু অমসুং পার্টিশিং অসিগী ওফিস বিয়ররশিং ফম থাদোকপীয়ু হায়বগী খোঙজং অসিদা মণিপুরদা প্রসিদেন্ট রুল লাক্লবগা মরী লৈনদে হায়না ফোঙদোরকখ্রবনি।

### খুরাই ব্লোক এন পি পি ওফিসতা নোংমৈ কাপশিল্লগ্লে

## দেমোক্রেসি হাৎতোক্লগে হায়বগা চপ মান্নে ঃ জয়ানন্দ




কাপশিল্লম্বগী থৌওং অদুবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমদা পোলিটিকেল পার্টি অমগী ওফিসতা নোংমৈ কাপশিল্লম্বগী থৌওং অসিদি দেমোক্রেসি হাৎতোক্লগে হায়বা চপ মান্নে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

খুরাই ব্লোক এন পি পিগী ওফিসতা নোংমৈ কাপশিল্লম্বগী থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ফমখিবা ৱাকৎ মীফমদা শরুক য়াখিবী খুরাই কোনসম

**ইম্ফাল, ওক্টোবার ০৬ (ঐচএনএস) :** ঙসি অয়ুক নোংঙাল্লমদাই পুং ২ রোম তারকপদা খুরাই কোন্সম লৈকাইদা লৈবা খুরাই ব্লোক এন পি পি ওফিসতা শকখঙদবা মীওই খরনা নোংমৈ রাউন্দ ১০ রোম কাপশিল্লগ্লে। থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা এন পি পি গী ওফিস মমাংদা মীয়াম্না পেন্দবগী ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে।

অমরোমদা খুরাই ব্লোক এন পি পি ওফিসকা থংননা লৈরিবা এন পি পি য়ুথ ফ্রন্টগী প্রসিদেন্ট জয়ানন্দনা নোংমৈ লৈকাই খুন্নাই কনবা অপুনবা লুপকী সেক্রেটরি এল থম্বালসনানা হায়, মীয়াম তিনবা মফমদা নোংমৈ কাপশিন্দুনা অকি অখঙ থোকহনবগী থৌওং অসি য়ানিংদে মতুংদা অসিগুম্বা থৌওং অসি অমুক হন্না থোকহনবীগনু। কনানা করি মরমগীদমক নোংমৈ কাপশিল্লম্লিবনো হায়বদু অথুবা মতমদা শেংদোকপীরকউ। মীয়াম্না তুম্নরিঙৈদা নোংমৈ কাপশিল্লম্বগী থৌদোক অদুনা মরম ওইরগা লৈকাইগী মীয়ামগী পুক্নিংদা চরাংনবা ...মখা লামায় ৩ কলম ২

## কোহ্লিং চারবা অমসুং কাপ্পা শুকয়া য়াররোইদবা নোংমৈশিং পীখৎনরকখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৬ (ঐচএনএস) :** মে ৩দগী কুকি খূৎলায় পায়বশিংনা মীতৈদা অতম্নগা ওনশিন্দুনা তমথীরবা লান চথরকখিবদগী মখোয়বু মায়োক্ননবগীদমক য়াল্লবা মীয়াম্না থেঙ্খাং খরদা ষ্টেট ফোর্সকী তোঙান তোঙানবা য়ুনিট, আর্মস কোট অমসুং পুলিস ষ্টেসনশিংদগী লৌখিবা নোংমৈ অমদি নোংমৈ মরূশিং পীখৎলক্লবা চীফ মিনিষ্টরগী মায়কৈদগী অকক্লবা নুমিৎ পীদুনা খঙহনখ্রবা মতুংদা খুরাই চিঙ্গাংবম লৈকায়দা লৈবা মিনিষ্টর এল সুসিলদ্রোগী য়ূম ময়াদা থম্বা 'প্লিজ দ্রোপ য়োর স্নেটচদ ৱেপন্স হিয়র, ফিল ফ্রী টু দু শো' হায়না থাবা নোংমৈ থাদফমদা চীফ মিনিষ্টর মশামক্না য়েংশিনখিবগা লোয়ননা য়াওরম্বা খূৎশু খূৎলায়শিং ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা লৌখৎখি হায়রি।



মীয়াম্না মীতৈ খুলশিং ঙাকপদা শীজিন্ননবগীদমক নমদুনা লৌখিবা খূৎশু খূৎলায়শিংবু চীফ মিনিষ্টরনা মমাঙ থাগী ২২দা নুমিৎ ১৫নিগী মতম ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

### কুকিশিংনা চর্চ মৈ থাবা অমদি পাষ্টরগী য়ূমদা এটেক চথবা য়ানীংদে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৬ (ঐচএনএস):** মে ৩দগী হৌরকখিবা ঈরাং অসিদা কুকি খৃষ্টিয়নশিংনা মীতৈ খৃষ্টিয়নশিংগী চর্চশিং অমসুং য়ূম কয়া মৈ থাদুনা মাঙহনখিবদা নত্তনা পোৎ চৈ কয়াসু হুরানবীখ্রে হায়না মীতৈ খৃষ্টিয়নগী পাষ্টর কে শান্তিকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

প্রেস ক্লবতা ঙসি পাঙথোকপা পাউজী মীফমদা মহাক্না হায়, হন্দক কুকিশিংনা মীতৈগী চর্চশিং অমদি য়ূম কয়া মৈ থাখিবা অসি য়াম্না নুংঙাইতে। শুগুনু এরিয়াদদি মৈ থাদ্রিঙৈগী মমাঙদা হান্না পিছ কম্মিটি অহুম্লক শেমদুনা লৈরকখিবনি অদুবু মে ২৯গী নুমিদাংদা নুপী অঙাংশিং লাঞ্জেন্নখিবদগী ঐখোয়সু লৈবা য়াররোই খনখি। মদুগা ইরোয়ননা শুগুনু এরিয়াদা কুকিশিংনা মৈ থারকপদা মহাক্কী চর্চ অমদি য়ূমসু য়াওখি হায়রি।

পাউগী মীফম অসিদা শরুক য়াখিবা পাষ্টিরশিংনা ফোঙদোকপগী মতুংইন্না মখোয়না খোমজিনবা রিপোর্টকী মতুংইন্না কুকিশিংনা তোঙান তোঙানবা মফমদা লৈবা মীতৈ খৃষ্টিয়নশিংগী য়ূম ২০০ রোম মৈ থাদোকখ্রে। মসিগী মনুংদা চুড়াচান্দপুরদা য়ূম ১৭২, মোরেদা ৯, লাইখোংদা ১৫, য়েংখুমাংদা ৫ অমসুং ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

### HL Poll

Q : Nongmei pikhatlaknaba numit 15ni sukhrabanina Nongmei kayam yamna pikhatlakhrabage haibadu leingakna fongdokpham thoktabra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Kuki Militantsingna nouhouna na nongmei amasung bomb kaplaklibasi leingakki security deploymentda hotrong hore haiba natara?

Yes 100% No 0%

### অস! লোইরেহে!

– করিগীনো সারনা মীয়াম্না পাম্বা অমত্তা তৌবিদ্রিবা?



– অফবা মী লাইনা থুনা লৌশল্লি অদুগীনি।

# কুকি লমহেনবা খরনা মীতৈগী দুকানশিং ফক্কাইরগা পোৎ চৈ হুরানবদা ষ্টেট অমসুং সেন্ত্রেল ফোর্সগী পর্সনেলশিংনা চগৌ য়েংলগা লৈখি : ৱারেপম সোভা

### হকথেংনবা পাউদম

*চুড়াচান্দপুরগী খুঙ্গা অমা*

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৬ (ঐচএনএস) :** কুকি লমহেনবশিংনা চুড়াচান্দপুর টাউনদা লৈবা মীতৈগী দুকানশিংগী থোঙ ফক্কাইরগা পোৎ চৈশিং হুরানবদা মীয়ামগী পুন্সি অমদি লন-থুম ঙাকপী শেনবীগনি হায়না লৈরিবা ষ্টেট অমসুং সেন্ত্রেল ফোর্সশিংনা করিমত্তা হায়দনা চগৌ য়েংদুনা লৈখিবা অদু য়াম্না নুংঙাইতে হায়না চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী ঙাথল মীতৈ লৈকায়দগী ৱারেপম সোভানা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না হায়, হৌখিবা মে ৩দা চুড়াচান্দপুরদা কুকিশিংনা রেল্লি চৎলুরগা তোংবুং বাংলা অমদি কাংভাইদা লৈবা মীতৈগী য়ূম, দুকানশিং থুগাইদুনা মৈ থাখি। মফম অদুদা তমথীরবা থৌদোকশিং থোকহল্লম্লবা মতুং চুড়াচান্দপুরদা অমুক হল্লক্লগা মীতৈগী য়ূমশিং থুগাইদুনা মৈ থাবা হৌরকখিবনি। মখোয়গী থৌওং অদুদগী



চুড়াচান্দপুর টাউনদগী মখা রোমদা শুপ্নতগী কিলোমিটর অমরোমদমক চৎলগা লৈবা ঙাথল মীতৈ লৈকায়গী খুঙ্গাশিংসু কিদুনা লাঞ্জেন্নখি। ঐহাকসু লৈকায় অসিদা পীক্লিঙৈ কেজি টু তম্বদগী হৌনা লৈরকখিবনি। ঐহাক্কী ইচানুপা অমা, ইচানুপী অহুম লৈ। ইচানুপা ময়ূম মকে পাল্লে। ইচানুপী অনীসু ময়ূম পাল্লে। মরম অসিনা ঐগী লোয়নবীগা ইচানুপী অমগা ঐখোয় অহুম লৈবনি। ঐহাক খৃষ্টিয়ান মিসিনরি অমা ওইনা লৌ-শিং উই অমসুং মিষ্ট্রি অমসু ওই। শূজ-নোমজদুনা চহী অমদা চানবা ফৌ ফাওবদি লেম-পানা হাপ্পী। ঐখোয়না য়ূম থাদোক্তুনা চেল্লকখিবা মতম অদুদা য়ূমদা ফৌবোৎ ৮০ রোম লৈহৌখিবনি। লৌ উবা অমসুং মিষ্ট্রি ওইবগী মথক্তা ষণ লাবা অচৌবা অনী, ঙানু ৫০, য়েন ৩০, হোন্দা এক্টিভা অমা, বোলেরো পিক অপ ভেন অমা, এ টি এমগী কার্দ, বেঙ্ককী বাসবুক্লচিংবা লোইনা লৈহৌখিবনি। এ টি এমগী কার্দতদি পিন কোদ ইরম্বনিনা কুকি লমহেনবশিংনা অয়াওবা শেলশিং লৌথোকখিবদগী ঐগী মোবাইল ফোনদা মেসেজ লাকখি। ঐহাক্কী লৈজবা লন-থুম অসি চাওরাক্না লুপা লাখ ২৪ রোমগী ওইগনি হায়খি।

মে ৩গী নুমিদাং অদু থংনবা খুলদা ইচানুপীগা ঐগী লোয়নবীগা ঐখোয় অহুম চেনশিন্দুনা অহিং লেকখি। ঐখোয়না য়ূম থাদোক্তুনা চেল্লকপগা পন্থদনা নুমিদাং পুং ৭ লোম তারকপা অদুৱাইদা ঐগী য়ূম মৈ থাদোকখি। অদুবু মৈ থাদ্রিঙৈগী মমাঙদা ইমুংদা লৈবা পোৎ চৈশিং লোইনা হুরানখি। অহানবদা গাড়ী হান্না মৈ থারগা য়ূমনা কোন্না থাখিবনি। ঐহাক কুকি লোন ফজনা খঙই। মরম অসিনা ঐখোয়না থংনবা খুলদা চঙশিল্লগা লৈরবসু ইরাপ লাপ্পদবনিনা পোৎ চৈ হুরানখিবা অমসুং গাড়ী মৈ থাখিবা কুকিশিং অদুনা ঙাঙন-শক্লবশিং লোইনা খঙখি। মখোয়গী মরক্তগী মীওই খরনদি ঐগী য়ূম অদু মৈ থাহন্নীংদে হায়খি অদুবু থোমজিল্লকখিবা মীয়াম অদুগী মরক্তা মীওই খরনা য়াদবদগী মৈ থাখিবনি। অহিংদুমা য়াম্না ৱানা খাঙলবা মতুং নোংঙাল্লগা মীতৈ খরা য়াম্না তাবা খুমুজাম্বা মীতৈ লৈকায়দা চৎনবা থৌরাং তৌখি। কিলোমিটর অমা রোম লাপ্পবনিনা মতৌ করম্না কুকি লৈবা মফমশিং ফাওরগা চৎকদবনো খল্লুবদা অৱাবা ওইখি। অদুবু হিংননবা চত্তবদি য়াদবনিনা ইচানুপী অমসুং ঐগী লোয়নবীবু কুকি নুপীনা শেৎপা খোঙগ্রাও অচোনবশিং শেৎহল্লগা মী য়াম্না চৎনদ্রবা অরিবা ...মখা লামায় ৩ কলম ২

### অসাম রাইফলসনা কুকি ১৮ পুলিসতা শিন্নরগ্লে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৬ (ঐচএনএস):** ঙসি অয়ূক পুং ৯.৩০ রোম তারকপদা ২২শুবা অসাম রাইফলসকী এ কম্পেনিগী দেপ্যুটি কম্মান্দেন্ট বি কে গুরুংনা লুচিংবা পর্সনেলশিংনা কুকি ১৮ কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা গমনোম সপরমৈনা পুলিস ষ্টেসনদা খূৎশিন্নরগ্লে হায়রি।

এ আরনা খূৎশিন্নরমখিবা মীওইশিং অদুনা চুড়াচান্দপুরগী লাংনেম খুলদগী গিনমুৱানলিয়ন জৌ (৩৩) অপোকপা নেংখাংথাং, চুড়াচান্দপুরগী সিংহেন খুলদগী হংখানসুৱান জৌ (৫৬) অপোকপা হেনসিনপাও জৌ, ফেরজোলগী লুংথুলিয়ন খুলদগী দেভিদ ঙুররোলোম সনাতে (২৪) অপোকপা চোংথাখুম, চুড়াচান্দপুরগী সী-মুনকোট খুলদগী মাংনিও (২৩) অপোকপা সাইখোলেট, চুড়াচান্দপুরগী বেলপুৱান খুলদগী চিনমিন্থাং মানতুৱাং (২৭) ...মখা লামায় ৩ কলম ৪